ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯲꯴, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯴꯶ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ওগষ্ট ২৪, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১৪৬শুবা মশীং

নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন

এন এস সী এন-আই এমনা সেন্টরদা থাজবা থম্লক্তবগী মওং উবা ফংলে

ইন্দিয়া গবর্ণমেন্ট অমসুং নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম-আইসাক মুইভা (এন এস সী এন-আই এম)গী মরক্তা চৎথরক্লিবা পিছ টোককী অরোইবা ৱারোইশিন থা অহুমগী মনুংদা পুরক্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা খঙহল্লক্লে হায়না নাগা পিছ টোককী ইন্টরলোক্যুটরসু ওইরিবা নাগালেন্দগী গবর্ণর আর এন রবিনা ফোঙদোকখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)না মীয়ামদা মীৎকুপ-নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহল্লকখি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা য়ু সী এমগী লম্ফেলপাৎতা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউঁগী মীফম অমদা কম্মিটিগী লুচিংবশিংনা হায়খি, কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩দা সেন্টর অমসুং এন এস সী এন-আই এমনা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখ্রবা মতুংদা লমদম অসিগী মীয়াম্না পূক্নিং লৈতানা হিংবা ফংলক্ত্রি। য়ু সী এমনা মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা শেম শারে হায়নসু লূপ অসিগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখি। নাকল অমরোমদা নাগা পীপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)না পিছ টোককী ইন্টরলোক্যুটরসু ওইরিবা নাগালেন্দগী অনৌবা গবর্ণর আর এন রবিগা উনদুনা অথুবা মতমদা নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্নবা তকশিনখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা এন পি এফনা থাদোরকপা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, কুমজা ১৯৬৪দা সেন্টর অমসুং নাগা লালহৌলূপশিংগী মরক্তা অহানবা সীজ ফায়র এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবা মতমদা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবগী লন্বী য়াৎপা ওইনা এন পি এফকী লেজিসলেটরশিং এসেমব্লিদগী রিজাইন তৌখি। কুমজা ১৯৯৭ তা অনীরকশুবা ওইনা ইন্দিয়া গবর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন-আই এমনা সীজ ফায়র এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবা মতমদা নাগা সিভিল সোসাইটিশিংগী অপান্বা মতুং ইন্না মতমদুদা এন পি এফনা ইলেক্সন বোয়কোট তৌরগা অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্নবা সেন্টরদা তকশিনখি। নাকল অনীমক্না য়ানিংগদবা মওংদা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবগী থৌরাং লৌখৎলকপদা অঙন্বা মতেং পাংগনি হায়নসু এন পি এফনা ফোঙদোকখি। অদুবু চহী ২০ হেন্না ৱারী শানদুনা লাক্লবা মতুংদা হৌজিক এন এস সী এন-আই এমনা ইন্দিয়া গবর্ণমেন্ট, মরু ওইনা ইন্টরলোক্যুটর ওইরিবা আর এন রবিগী মফমদা থাজদবগী মওং অমা উবা ফংলে। নাগা তাবা মফম পূম্নমক এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অমগী মখাদা পূনশিনবগা লোয়ননা নাগাশিংগী তোখায়বা ফিরাল অমসুং কন্সটিট্যুসন লৈহনবা হায়বসি এন এস সী এন-আই এমগী খ্বাইদগী মরু ওইবা দিমান্দনি হায়বা পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থা অহুমগী মনুংদা নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্নবা খঙহল্লক্লে হায়রগসু এন এস সী এন-আই এমনা হৌজিক আর এন রবিগী মফমদা মখা তানা থাজবা থমদবগী মওং অমা উবা ফংলে। নাগা লালহৌলূপ অসিনা লৌরিবা ফিরেপতি কনাগুম্বা মীওই অমনা ইন্টরলোক্যুটর ওইবদা অকায়বা লৈতে। অদুবু নাগালেন্দগী গবর্ণর ওইরবা মীওই অমনা ইন্টরলোক্যুটর ওইহনবগী থৌওং য়াবা ঙম্লোই হায়বসিনি। হৌখিবা ওগষ্ট ৭ তা লূপ অসিগী চ্যেরমেন ক্যু টুক্কু অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি থুইঙালেং মুইভানা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা থাখিবা চেরোল অমনা হায়খি, খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা নাকল অনীনা অতোপ্পা অহুমশুবা লৈবাক অমদা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা ৱারী শানরগা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি হায়না য়ানখ্রগা গবর্ণরগী থাক্তা ৱারী শানবগী ফীভম লাক্লিবসি অচুম্বা খোঙথাং নৎতে। খ্বাইদগী ইকোন-কোনবা ওইনা ওগষ্ট ১দা নাকল অনীনা দিমাপুরগী হিব্রোন কেম্পতা ৱারী শানখিবদা আর এন রবিনা ঙকচাও থেকপগী মওং উৎলকখিবা য়ানিংদে হায়নসু লূপ অসিনা ফোঙদোকখি। লূপ অসিনা হায়খি, কুমজা ১৯৯৭তগী ৱারী শানদুনা লাকখ্রবা মতুংদা কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩দা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবদগী অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লগনি হায়না থাজবা থম্লুবনি। হৌজিক্তি থাজবা পূম্নমক মাঙখিবগী ফীভমদা লৈরে হায়রি। তৌবগীবুদি নাকল অনী য়ানরক্তবগী মওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংলি। রেজিষ্টর ওফ ইন্দিজিনস ইনহেবিটেন্টস ওফ নাগালেন্দ (আর আই আই এন) শেম্নবা থৌরাং লৌখৎলকখিবদগী নাকল অনী অমুক্কা-হেন্না মুক্নরকপগী মওং অমা উবা ফংলি। মসিগী ময়েক শেংলবা খূদম হায়ববু সীজ ফায়র এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখ্রবা লূপ অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা হাংদোকপা কেম্প কয়া ইন্দিয়ন আর্মিনা থুগায়খিবগী থৌওং অদুনি। জুলাই ৫দা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্কী কেক্রু নাগা ভিলেজদা ইন্দিয়ন আর্মিনা এন এস সী এন-আই এমগী কেম্প অমা থুগায়রগা কাদর অমা মশীং য়াম্লবা খূৎলায় কয়ামরুমগা লোয়ননা ফাগৎখি। মতৌ অসুম্না চহী অসিগী মনুংদা নাকল অনী মুক্নবগী থৌদোক মঙারক থোকখি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা নাগালেন্দগী অশেংবা য়েলহৌমী খঙদোক্নবগী পান্দমদা শেমগদৌরিবা আর আই আই এনদা অতোপ্পা মফমগী নাগাশিংবু নাগালেন্দগী অশেংবা য়েলহৌমী ওইনা শক খঙলোইদবগী ফীভম লাকপদগী এন এস সী এন-আই এমদা চাউনা নীংবা কায়হনবগী মওং অমা উবা ফংলি। অতোপ্পা কাঙলূপতা অকায়বা থোকহল্লোইদবা মওংদা নাগা ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরকপা হায়বসি মণিপুরী মীয়ামগীসু অপান্বা ওইরমগনি খল্লি। অদুবু হীরম খূদিংমক্তা খুরৌ থাংলকপগী ফীভম অসিদা সেন্টরনা করি করম্বা থৌরাং লৌখৎলকপগে হায়বদু য়েংবা তাবনি।

এডিটরদা থারকপা চিঠি

ককচীং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী চয়েৎনবা অথুবা মতমগী মনুংদা লোইশিনবীয়ু

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২, ২০১৮গী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী বজেট মীফমদা ককচীং দিষ্ট্রিক্কী মনুংদা লৈবা শুগনু এ সীগী মীহুৎ কে রঞ্জিৎ, ইকায়খুম্নরবা এম এল এ অমসুং ককচীং এ সীগী ৱাই সুরচন্দ্র ইকায়খুম্নরবা এম এল এনা ককচীং দিষ্ট্রিক্কী হেদ ক্বার্টর করম্বা মফমদা থম্লগা লৈঙাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্দা হেন্না ফগদগে হায়বগী মতাংদা মশা মশাগী অনীংবা অপান্বা দিমান্দ কট মোসন পুথোক্লুরক্তুনা নৈনরকপদা দি দি কে ইম্ফালনা লাইফ টেলিকাষ্ট তৌদুনা মীয়ামদা উহনখিবা, মীয়াম্না খঙন-উনহৌরবা ঙাক্তনি। ইস্যু অসি লৈবাক্কী ইস্যু ওইবনা হেন্না পূক্নিং চঙনা য়েংনখি অমসুং কাউনদ্রি। এ সীশিংগী মীহুৎ লৈঙাক্কী থৌ পুবিরিবশিংনা থম্বিখিবা ৱাফম নৌহৌনা নৈনদুনা য়েংমিন্নসি। কে রঞ্জিৎ, ওনরেবল এম এল এনা হায়বিখি - হেদ ক্বার্টর থম্বগী মতাংদা পোলিটিক্সকী খেন্নবা মীৎয়েং থম্বা থাদোক্লসি। এ সী মরি অসিগী সেন্টর ওইবা মীয়ামগী চথোক চৎশিন্দসু হেন্না খুদোং চাগদবা, খুঙ্গংগী মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা মীচম মীয়ামগী য়াইফগদবা, লোয়ননা লৈঙাক্কী লমসু মরাং কায়না লৈরিবা ৱাইখোং থোংজাওদা থম্বনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি, মখা তানা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর দিমান্দ কম্মিটি ৱাইখোং থোংজাওনা মমাঙথক্তা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী মিনিষ্টরশিংদা পীশিনখিবা দোক্যুমেন্ট কয়াসু ময়েক শেংনা উৎলগা শন্দোক্লা ৱা ঙাঙবীখি।

মথক্তা পল্লিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা ৱাইখোংদা প্রেস কনফরেন্স অমসু পাঙথোকখি। মদুদা ককচীং খায়দোকখ্রগা লৈহৌরিবা এ সী অহুমগী লুচিংবশিংনা ৱাইখোং থোংজাওদা থম্বনা পূম্নমক্কী খুদোংচাবা ওইগনি হায়দুনা মশা মশাগী মত পীনখি। ককচীংগা নক্লবদা লৈরিবা লীদরশিং উরিৎখিনবম য়ুগেশ্বর এক্স প্রধান লমজাও, মোইরাংথেম শাজৌ এক্স মেম্বর জিলা পরিষদ, কোন্থৌজম মনিহার সেকমাইজিন খুনৌ সোসল ৱার্কর লীদরশিং অসিনসু ৱাইখোং থোংজাওদা থম্নবা হোৎনবদা মপূং ফানা শৌগৎকনি হায়দুনা প্রেস কনফরেন্স অদুদা শন্দোক্লা ৱা ঙাঙবীখি। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী বজেট মীফম অদুদা ককচীং এ সীগী ৱাই সুরচন্দ্র ওনরেবল এম এল এনা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর হায়দুনা মিংগা কোন্ননা লৈরবা মফম অসিদা থম্ফম থোকই, মসিদা কনানসু য়েৎফম থোক্তে হায়দুনা মশাগী কট মোসন পুথোক্তুনা ৱা ঙাঙখি।

মথক্তা পঞ্জরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী বজেট মীফমগী কট মোসনগী ক্লিয়ারফিকেসন্দা মরী লৈনবা করাম শ্যাম ওনরেবল রিভিন্যু মিনিষ্টরনা এম এল এ অনীগী কট মোসন য়াম্না সিন্সেটিভ ওই, মীয়ামগী য়াইফগদবা মফম য়েংলগা লৈঙাক্কী ৱারেপ লৌগনি হায়বীখি। লোয়ননা ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইস মখাদা দি সী ককচীং দিষ্ট্রিক্টনসু ইনক্বারি তৌবীদুনা রিপোর্ট থাগৎখ্রবনি। রিপোর্টকী ৱারোলদা পূম্নমক্কী য়াইফগদবা মফম ৱাইখোং থোংজাওদা ওইগনি পনবীখ্রবনি। মতম শাংনা শোথদুনা লাক্লবা খুঙ্গংগী মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা মীয়াম্না বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক্লা লৌরক্লিবা চাওখৎ খোঙথাং অসিদা থাগৎনখি অমসুং হরাউবা পোক্লখি। অদুবু মতম অসুক শাংনা লৈরক্লবা ফাওবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎপীরকপা তৌদনা তুমিন্না লৈবিখ্রিবসি করি মরমদগীনো? থা অসিগী ২৬তা ফমগদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফম অসিদা লৈঙাক্কী চপ চাবা ফিরেপ অমা লাউথোকপীদুনা মীয়ামদা খঙহনবীয়ু।

অদোমগী - এলাংবম য়দুমনি, এদভাইজর; তোলচৌ শমজেৎশাবম এদভাইজর
ককচীং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর দিমান্দ কম্মিটি ৱাইখোং থোংজাও

থৱায় খূবাক্তা হাপ্লদুনা

ৱাইরু-ৱাইরুবদা



নহানদি চৌক্রি অমা থারগা উরুম লাংবা লন্বী মপান্দা মিনট অনীখক ফম্মী, চে মচেৎ অমগা কলম অমগা পায়রগা লন্বীদা লাক্লিবা গাড়ীশিংদু মশীং থিবনি, সেকেন্দ কুন্থ্রাদং মশীং থিবা হৌগৎলকপদা থিবা ঙম্মক্তদুনা অদুম তোক্লে। স্কুটর, কার, ত্রক, ঈশিং হোন্নবা গাড়ী, লৈবাক হোন্নবা গাড়ী, মী হোন্নবা গাড়ীনা অমুক্তোইবা মীৎতা চঙদৌরে। লন্বীনা লৌরীমুক্তা চাউশিল্লক্লে। খূথৌসু ফজ-ফজবা কয়ানি।

লাইসেন্স তান্থোকপা য়াদ্রিবা ক্লাস ফাইভ তন্লিবা অঙাং মচা অমসু, ইপান থাখিবা কুইদ্রিবা চিন্বালদা পলেমগী খোল্লাং মনম কোক্ত্রিবা পারি মমোম লাংলেন কয়া কয়ামসু মালংগী মমাঙ থানা গাড়ী মচাশিং লমজেল তান্নরি। লন্বীদা হূই লাল্লিবরা, ষণ লাল্লিবরা, ইবোক লাল্লিবরা, হৌদোং লাল্লিবরা কনা কনা চৎলি, কনা কনা গাড়ী থৌরি হায়বা য়েংনদে। কনা অমনা গাড়ী থৌনা মঙক্তু মরেংজুমদা শুপচিল্লগা মোবাইল ফোন য়েপ্পদুনা গাড়ী থৌবগী হৈশিংবা উৎনরি। অসুম্মাইনা গাড়ী থৌনরিবা মীওইশিংগী মশীংসু ঈশিং ঈচাওগুম্না জর জর হেনগৎলক্লি। মোবাইল ফোন থোরকপগী লায়থেৎ অমনি। মখোয়বু উরগা লন্বীদা চৎনা চৎনা বি পি হাইগৎনরে। পুন্সি অসি দাওদা হিংবগী ফীভম লাক্লে। ময়াসি উরুরগা খ্বাইদগী নীংশিংলকপসি মীরেলশঙ, কেজুয়েলিটি লোইশঙগুম্বা, মঙানি লৈহুন, শোরাৎ, মোইবুংগী মখোল নত্তনা করি অমত্তা হেক নীংশিংলক্তে, তারক্তে।

লাইসেন্স পায়দ্রিবা/পায়দ্রিবী ইচে-ইচল, ইচা, ইমা-ইবেলশিং চাক চানরুরগা চাক মহী পায়শিল্লুরগা ষ্টিয়ারিংদা মমায় উপশিল্লগা থৌবগসু ময়াম অমা অদুম ময়াওনরি। নৌনা গাড়ী লৈনরগা নৌনা থৌবা তন্লিবা ময়াম অমসু মীরক্তা তম্বদৌনা থৌদোরকপা য়াম্নসু য়াওনরিবজ াৎনি। কিজখ্রে ঐমক্তি। মখোয় অসিদি য়াম্না শাথিখ্রে। য়ারগাদি মসি মশানা খঙনা খরসু মীরক্তা থোরক্তবনা লৈবাক্কী ওইবা ফরবজাৎনি। কদাইদনা ব্রেক পাল্লিবা, কদাইদনা কমদৌনা মেৎলগা/নম্লগা ব্রেক ফাদুনা গাড়ীনা লেপকনি হায়বা খঙদ্রিবা মীমকসু য়াওরম্লোইকা হায়রু লাক্লুবা ঙমদে। য়ূমদনা ওফিস কারমদাইফাওদু অয়ূক্কী চাকচা তোক্লগা ফমুংদা সুম সুম হিপচিন্দুনা লৈখৈ লৈথোক্লুরগা এক্সিলেরেটর লৈজবী থানা লৈখৎতুনা গাড়ী থৌরগা ওফিস নংনবা লন্বীদা হাইগৎলকপা মী ময়াম অমসু য়াওদে হায়বা য়ারোই। মখোয় অসিসু মী লৌশিনবা জোম মখল অমনি হায়রোইদৌবগী মরম লৈতে। সিগুম-সিগুম্বা মীশিংসিসু খুদোং থীনীংঙাই মপী মখল অমনি। মণিপুরদি মী কোম্না চৎপা য়াবা লন্বী অফবা পঙয়াও য়াওদে।

মসিগী মথক্তসু অমুক লৈবাক লৈহাওননি খঙদে, অমননি খঙদে লন্বী শেম্লবসু থা অমা অনীদগী হেন্না চত্তবা লমনিনা মতম অয়াম্বদা মণিপুরগী লন্বী ফত্তে। সিগুম্লবা লন্বী অমদা গাড়ী মনীংদা ইশাগী নুপী তোংহল্লগা য়ূমদা হল্লকপদা য়ূম য়ৌরগা নুপীদু গাড়ী মনীংদগী নীকথোকহৌদুনা য়াওরমদে হায়বদুনি। ওইরিবা লন্বীমক্কী মতৌগা গাড়ী থৌরিবা মীমক্কী মতৌগনা হোস্পিটাল লায়েংশঙ কোন্নদবগী ফীভমদা লৈহল্লে।

অসিগুম্লবা লানফম অসিদা হৌজিক হৌজিকমক অসিদা লাইরিক তন্লিবা নৌরিবা অঙাংশিংনা মহৌশা ওজাশিংবু নুংশিজদুনা য়েংবা মীৎয়েংদু হনবা লৈতে, লেঙদনা লৈরি হায়বদু ঙসিসু উবা ফংলি। ওজাগী নুমিৎ লাকপদা অঙাংশিংনা মমা-মপা, গুরু শল্লুবা ওজাশিংগীদমক্তা লন্বীদা থোক্তুনা য়াঙনা য়াঙনা থৌরিবা বাইক, স্কুটর, কার, ওটোরিক্সো, ঈশিং গাড়ীদগী ওজাগী নুমিৎকী অচৎ-অওকশিংদগী অঙন্বা তেংবাঙ খরা খরা গাড়ী থৌবশিংদগী লৌজরিবা অসি অশোয় অঙাম থোকপা য়াওরক্কদ্রা পাখৎতবা ঙম্লক্তে। কনা কনাগুম্বা গাড়ী থৌবা মী খরদি শেল থৎলম্বা অঙাংশিং উরকপদা গাড়ী য়াঙনা মখোয় তম্না থৌজিল্লগা কিহল্লগা নাম্থোকখিনবা লাক্লে। মথক্তা মমিং পনজখ্রিবা গাড়ী ময়াম অসিনা পিকচখ্রবা লন্বী অসিদা পুলিসনা ফাগদৌবগী তান্নরকপসিমঙায় থৌনরিবা । মসিদা ইচা-ইশুশিং অসিনা ওজাগী নুমিৎকীনি হায়দুনা শেল নিজরিবসে উরগা থম্মোয়সে পাখৎচদবা ঙমজদে তশেংনা।

মতাং অসি য়ৌরবদি ওজাশিংনসু - ইবুংঙো-ইবেন্মা নখোয়না তৌরিবদু গাড়ীনা শোক্লিংঙাই ওই, শোকপা পনবা য়াওরবদি ওজাশিংদা তাইনবীরক্কনি হায়দুনা হায়বিবা য়াই। অঙাংশিং অদুদি করি অমত্তা খঙজবা নৎচপোৎতে ওজাশিং নুংশিবগী তৌজরিবনি। ইচাশা নখোয়না হৌজিক মতমগী এক্সিদেন্টকী পাউ ময়াম অমা ফেসবুক্তা উরিবদু কাউরবরা, খরসু খল্লু হায়না হায়বীগদবনি। ওজাশিংদা খুদোল তম্বা ঙাক্তনা ওজানা পেনবা নত্তে, ওজাশিংদা থম্মোয় শেংনা খুরুমজরগা লোইরে। চহী চূপ্পা অমা মশাগী মথৌদাং পাঙথোক্লিবা ওজাশিংদা চহী চূপ্পা থকসি-খাসি কাইদবা, হোৎনবা কনবা, ৱাঙাঙ শঙাঙ ফজবা মহৈরোয় অদুতবু ওজানা পেনজরিবনি হায়বদু হায়বিরগা লোইরে। ওজাশিংনা পেৎলিবা থম্মোয়গী মপু ওইজরিবা অঙাংশিংদা ফজনা তাকপীরগা লোইরে। খুদোং থীনীংঙাই ওইরবা লন্বীদা অঙাং ময়াম অমনা ওজাগী নুমিৎ পাঙথোক্কদবা নুমিৎ কয়ানি ৱাৎলিঙৈদা এক্সিদেন্ট মরক্তা মশাগী থৱায় খূবাক্তা হাপ্লদুনা মাগী গুরুগীদমক্তা শিবা চঙবা খঙদনা হোৎনজবা অসে অনীরক শুনা হিংবা য়াদবা পুন্সিনিনা য়াম্না পান্মুজখ্রে। খরা চেকশিনবা ফৈ। ●

লাইগী লো, লোগী লাই

নবকুমার ওইনা

লাইদি অদুম শাবা, লাইদি অদুম থাজবা, লাইদি অদুম নীংবা, করিনো খঙলুবদি নত্তবা মাল্লি। মসিমক মীওইবগী খ্বাইদগী অশোনবা হায়বদু ওইগদৌরি। কনা'মনা লাই হায়বসি অচুম্বদুনি হায়বসু লৈ, হায়বদি অচুম্বা চৎপা ঙম্বদুবু হায়বা মাল্লি। কনাসু অচুম্বা চৎপা হৈত্রবা মতম অসিদদি লাইদু লৈত্রে হায়বা তারকপ্রা। ঈশম শম্না নুমিৎ-থাসি লাইনা শাবনি হায়বসি অরানবা ৱাখল খূৎখন অমনি, অদুম চৎনদুনা লৈগনি হায়বা লৈতে। খরনা নুমিৎ অসি লাইনি খল্লগা খুরুম্লি, কয়াদা লানখ্রবা ৱাখলনো?

লো চৎনদ্রবা দেমোক্রেসি হায়বা লৈবা য়াব্রা? লো খঙনদ্রবা লমদুদা দেমোক্রেসি লৈ হায়বা য়াবা নত্তে। লো লৈত্রবদি লৈঙাকসু লৈরি হায়বা য়াবা নত্তে। মীয়ামদুনা লো খঙদ্রবদা লৈবাক পাল্লি হায়বা য়ারোইদৌরি। অচুম্বদু লাইনি হায়রবদি লোদু লাইনি। লো খঙনবা নীংনগেদি হায়দ্রগা, লৈসু লৈতবা লাই অমদা পংনীংদা নীংনরগা দেমোক্রেসি চৎলি হায়বা কদায়দগী য়ারদগে। মিনিষ্টর ফাওবা লাই নীংবা উই, অদুগা অচুম্বা চৎপা ঙমদে হায়বগী ৱাথোক ময়াম লৈরি। লাইদু কদায়দা লৈরিবগে, অচুম্বদু কদায়দা লৈরিবগে? অদুগা লৈবাক অমা পাল্লবনি হায়রি। লাই খঙদনা লাই নীংবগা, অচুম্বা খঙদনা লৈঙাক পায়বগা মান্নরক্লি। খ্বাইদগী অচুম্বা চত্তবা শাসি মীওইবনি। অদুনবু ঙসি ফাওবা মালেমগী মচি খুদিং হাংনবা তোকপা ঙম্লদ্রিবনি। অচুম্বা খঙদবদুনা হাৎনরিবনি। অচুম্বা য়াওরবসু নাকল অমদি অচুম্বদু খঙদবা ওইবা তারি। লাইনীং অমগা লাইনীং অমগা মান্নদে হায়নরি, লাইনীং অমদি লাল্লি হায়বনি। লাই অদুদি অচুম্বা খঙলম্বা য়াই, লাইদু নীংলিবা মীয়াম অদুদি অচুম্বা চৎপা ঙমদবদগী হাৎনরি। মদুনদি লাইদু লৈত্রে হায়বা তাকপনি। লাই হায়বসি অচুম্বদুনি হায়বসি লাল্লক্লি, খঙদবা মীনা চুম্না চৎপা ঙমদে । হায়বদি মাগী লাই লৈতে, মশাদা লাইগী ৱা য়াওদে হায়বনি। মহাক লাই নীংই হায়বা য়ারোই।

লোগী লাই অমা লৈ হায়বসি য়াম্না লানবা লোনি। লাই পংনীং নীংলিঙৈগী চৎনবী শমথরকপনি। অচুম্বা হায়বসি লাইনা তৌবদু নত্তে, মীনা তৌগদৌবনি। লো হায়বদু শেন্নবদি চৎনরদৌবনি, খঙদ্রগনা লাই পংনীং নীংবগুম্বনি। লো খঙদবা হায়বসি লাই খঙদবা হায়বসিগা য়াম্না মান্নরি। মিনিষ্টরশিংসি লাই নীংই হায়বা য়ারোই, অরানবা তৌবগী ৱাথোক য়াম্না থোক্লুরি। মখোয় অচুম্বা চৎপা মী কাঙলূপ নত্তে, লাই শাবা ময়াম য়াওরি, হুরানবা ফানরি। মীওইবা খুন্নাইবু চোপ্পা নংহনবা য়াওনরি। মখোয়না লানবদগী ভোট পীরিবা মীয়ামসু পূম্নমক লানবা, মতম মাঙনবা ইলেক্সন তৌবনি হায়বা য়ারক্লিবনি। অরানবদু অচুম্বা শারগা ঙাঙ-শক্তুনা লৈবা ঙম্বা হায়বসি অঙাংনা লাই শান্নবা হায়বদু তারকপনি।

লোদি শেম্নরে, লাইগী লো শেম্বদি ঙম্লদে, হান্না হায়রম্বা ৱাদা চৎনবনি খন্নরি। হান্নগী ৱাদু মীনা শেম্বনি হায়বসি কাউবা, অনৌবা অচুম্বা শেম্বা ঙমদবগী ওইগদৌরিবনি। লো কোর্টতা লাইরিক অমনবা অমদা থাজনবী থম্নরগা ৱাশক্লবী চৎনরি। মসিসু লোগী অশোনবনি, তৌদবা লমসু লৈ। লোগা লাইগা শম্নগদৌবনি হায়বসি লো শেন্বদু শোল্লি হায়বনি। মী ময়ামদু থাজবা হৈতবগী হান্নগী থাজবী অমদগী মতেং লৌবা ওইরমগনি। লোদু খঙদবা মীদা অচুম্বদু হায়গনি হায়না ৱাশকহল্লগা লোদু ঙাক্তবা অচুম্বা অমত্তা ঙাঙনদবদু লো কৌবা য়াব্রা? খ্বাইদগী অচুম্বা তৌদবা মফমসি লো কোর্টনা ওইরি হায়বদুনি (অচুম্বা অমা অনী য়াওরম্বদি য়াই)। ঐ অমনা খঙলুবা নত্তে, মীয়াম অমনা ঙাঙনরিবা, লাউনরিবা অসিনা অদুম তাকচবা ৱাদুনি।

হৌজিক্তি লাই থাজবা মীমুক মীনম্বা লৈত্রে হায়বা য়ারক্লে। মী অপঙবদগী পৈশা লৌবা য়ানবা লাই শান্নবা মী ময়াম লৈরে হায়বা ইখঙ খঙনরে। অমনা খঙবা লোগা অমনা খঙবা লোগা মান্নদে হায়নরি, খ্বাইদগী য়েৎনফম ওইরিবা মফমসি লো কোর্টনা ওইরি। য়েৎনবা লোইদবা কেস ময়াম লৈরি। অচুম্বা তৌদবগী, অচুম্বা খঙদবগী ওইবসু য়ারিবনি। মী অমনা অচুম্বসি লোয়না খঙদে হায়বগী খুদমসিসু লো কোর্টতা উগনি। মী ময়াম য়েৎনগনি, অদুগা লানবসু ময়াম য়াওনরি। মীওইবা হায়বা শাসিনা অচুম্বা চৎলি হায়বসি ঙসি ফাওবদি হায়বা য়াদ্রি। লোদা য়েংলিবা মীৎয়েংসি অমনা মমৈ উবা, অমনা মনাতোন উবা শামু য়েংবগী মওংদা লৈবা মাল্লি।

লো হায়বসি মীয়াম অমনা য়ানরবা, মীয়ামদু ঈংনা-চিক্লা লৈবা য়ানবা চৎনবী অমা শেম্বনি হায়বসু লৈ। মীয়ামদুনা লোদু থুগায়রগা চৎনবা ময়াম উরি, লোদু কমদৌনা লৈরি হায়বা য়াগদৌরিবনো? লো শেন্নবশিংনা লোসি মখোয়গী শেল তান্নবা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা লৈরগা মীয়ামগী লো লৈরে হায়বা কদায়দগী য়ারদগে। মীয়ামদুনা য়ানরগা মীয়ামদুনা লো শেমখি হায়বসি ইতৎ-তত্তনা লাল্লি। মীয়াম অমগী মথক্তা মীওই খরনা লো শেমজিনখিবদগী মীয়াম্না লোদু খঙদবা য়াওরকপনি। মীয়ামদুগী নত্তবা লো ময়াম লৈরক্লি। অপঙবশিংগী লো লৈতে হায়বগুম্বনি, অপঙবগী লাই লৈতে, পঙনীং নীংবদগী লাই লৈবা মাল্লকপনি। অচুম্বা খঙবা মীনা লাই নীংবা হৌনদে, অদুম চুম্না তৌখিবা ময়াম লৈরিবনি। ইলেক্ট্রোনিক্কী ৱার্কশোপ্তা উগনি, রোকেট শাফমদা উগনি। ইনর্জিদি অচুম্বা তৌই হায়বগুম্বনি।

লাইনীং খুদিংমক্কী লাইরিক পাদ্রবদি লাইনীং ময়ামগী খেন্নবা খঙবা ঙম্লোই। লো ময়ামগী লাইরিক পাদ্রবদি লো খঙবা ঙম্লোই। লাই অমখক নীংবা মীদি লাই খঙবা কৌবা য়াদ্রে, লো খঙদবগা মান্নরক্দৌরি। মী ময়ামসি লৈত্রবদি লোসি কদায়দা লৈগনি, মী ময়ামসি লৈত্রবদি লাইদি কদায়দা লৈগদৌরি। হান্না লৈজরম্লবা ইনর্জি অসিবু অখঙবা শারগা লাই খঙবা শাবা হায়বসি লাই নীংবনি হায়বা য়ারক্লরোই। লো কোর্টতা লাই খুরুমহনবা হায়বসি লোগী ওইবা অচৌবা অশোনবা অমনি। মী অপঙবদা লো মান্নবা থাজহনবনি। মীনম্বা য়ানবা লিলা অমা তৌশিনবগা মান্নরকপা য়ারি। লাইগা লোগা শমজিন্নবা হায়বসি লোদু লাল্লি, লাই অদুসু লাল্লকই হায়বা উনরবনি। মসি ফাওবা চুমথোকপা ঙমদবা হায়বসি লো শেম্বা হৈত্রিবগী ওইগদৌরিবনি। মীগী তুং ইনবশিংগী শাজৎনি, তুং ইনবা মীনা অচুম্বা লোইনা খঙবা ঙম্বা হৌনদে। তুং ইনশিংনা অচুম্বা তৌবা ঙম্লোই।

লাইদা শা-ঙা, শেল, হৈ-রা, লৈ খরা খরা কৎনৈ। কোর্টতসু শেল পীনৈ, লাইগী মতৌদু কোর্টতসু তৌনৈ। লায়রবা মীয়ামগীদি শেল লৌদবা চৎনবা হৌরক্লিবসি লো খঙবা হৌরকপগী খুদমনি। লাই অমনা শা অমা চাদে, লাই অমনা অতোপ্পা শা অমা চাদে, লাই খুদিংমক শা-ঙা অদুম চাই। লাই খরদি মী হাৎলি, হাৎলু হায়। অদুগা অচুম্বগীনি হায়, মানা ঙম্বা তৌরগা অচুম্বনি হায়বসু মাল্লি। লাইগী ৱাশিংসি পুল্লপ পূনশিল্লবদি তম্থায় হেন্না লাল্লকপসু য়ারি। লাই তোঙান তোঙান নীংনরিবমখৈ মী হাৎনখিনি, লম অমমমগীনি, মী কাঙলূপ অমমমগীনি, মালেমগী হায়শিন্নবগী ৱাতনি, মালেমগী মীয়ামগী ওইরবা লাইনীং অমত্তা লৈত্রিবসি নমদুনা শন্দোকপা য়াওরক্লবদি লাইনীং নৎত্রে হায়বনি, ঐগীনা চুম্মী হায়বসি লাইনীং নত্তে, ঐগীনা চুম্মী হায়বসি লো নত্তে। ঙসি ফাওবদি মীওইবনা লাইনীং অমদা পূনশিনবা ঙম্লদ্রি, লো অমদা পূনশিনবসু ঙমদ্রি। য়েৎনরি, হাৎনরি, মীওইবসি ৱা খন্নবা লোইদ্রি।

মী খরনা লো শেমজিল্লুরে, তশেংবদি মীয়ামদুনা য়ানরগা শেমজগদৌবনি। হৌজিক মীয়ামদা লো তম্বীদবা য়াদ্রে হায়রক্লি। হায়বদি মীয়ামদুনা লোদু খঙলমদ্রে হায়বদুনি, মখোয়না শেমখিবা ওইরবদি খঙগদৌবা। মীয়ামদুনা খঙলমদবা লো হায়বসি মী ময়ামদুগী ওইদবসু য়ারিবনি। লোদু লানবা তারক্তদৌরি, খৎনবা, হাৎনবা থোক্লকপা য়ারি। লোদি মশানা শেমজবা ওইগদৌবনি। লম অমদা মী খরগী লো নমদুনা তম্বীবা ওইরবদি লোদু লানবা য়াওরম্বসু য়ারি। অপংবশিংনা লো শেমজবা ঙমদে, মীনা শেম্বীবা লো ঙাক্লা চৎপসু ঙম্লদে। লো খঙদবশিংনা অচুম্বা চৎপা ঙমদে, অচুম্বা চৎপা ঙমদবা মীনা লাই নীংই হায়বদি য়াররোই। অচুম্বা চৎকে হায়রবদি লাই ওইনা নীংনরম্বগী ৱানি, হৌজিক্তি লো ওইনা তম্লরদৌবনি। লোদু লাল্লবদি অচুম্বা অমুক ওইরোইদৌরিবনি। অমেরিকাগী লোদু লমদম অসিদদি চুমদে, ইন্দিয়াগী লোদু মফম খুদিংদা চুম্বা ওইদবসু য়ারি। মচি অমগী লোদু মচি অমদা চুমদবা য়ারি।

লো ঔরায়বা নৎত্রগা লো তম্বীবসি লায়রোইদৌরি। মী মুৎনবা, লৈবাক মাঙনবা তম্বীবা য়াগদৌরিবনি। তপ্পা তপ্পা লাইনীং শন্দোক্লগা শেল খোমগৎপগুম লো অমা তম্বীরগা লৈবাক ওইনা লৌশিনখিবা য়াওনরিবনি। লো অমনা লম্পাক (ক্যামপোক ওইবা য়াই) অমা পীথোকখ্রগা ঈথৎ অমগী মমিং লৌজরো হায়বসি চুমদবা ওইরকপসু য়ারিবা লোনি। লোদা মীনম্বা হায়বসি লাইদা মীনম্বগা মান্নরকইবনি। মীনম্বশিংগী লাইনীং লৈ হায়না থাজবা য়াদে। লাই শীজিন্নরগা ওইজবা থিবা ওইগদৌরিবনি। লো শীজিন্নরগা ওইজবা থিবা লৈরিবনি। য়াইফবা হায়বসি ওইজবা হায়বা নত্তে।

তুং ইনবশিংনা লাই থাজবগুম লো থাজরগা তৌবা থবক্তা লৈবাক মাঙবা ময়াম লৈখ্রবনি। লো লান্না তম্বীরগা লৈবাক মীয়াম লান্না পুবা য়ানবা লাই লান্না নিংহনবা য়াওখ্রবনি। লাই পংনীং নীংবদগী মরৈবাক মাঙবা য়াওনরবনি। লাইদং লৌরগা লৈবাক পীথোক্তবা ময়াম লৈরিবনি। লাই লৌরগা লৈবাক পীথোকখিবা হায়বসি লাই নীংবগী ৱা মাল্লক্লোই, লো খঙবগী ওইরক্লোই। লো খঙবা হায়বসি মশাগী কান্নবা তৌবা অদুবুনি, ঈংনা চিক্লা লৈবা হায়বসি লোদু চুম্লবা মতমদতনি, লোদু লাল্লবদি হাৎনরিবা ময়াম উরিবসিনি। লাইদু লাল্লবদি অদুম হাৎনরিবা অসি মঙাই, মীগী ইমুংদা ঐগী লাই লাৎশিনগে হায়বসি লোগী ওইনা লানবা ওইরমগনি। লৈসু লৈতবা লাইগী মীংদা ইপা-ইপু লাৎশিনবা হায়বসিসু লাইগী মীংদা অরানবা লো শেম্বা ওইগদৌরিবনি। ইপা-ইপু লোইনা লাইনি হায়বসি লো লৈত্রিঙৈগী ওইগদৌরি, ইপা-ইপু পুন্দবশিং লাই পুল্লু য়াদ্রি। লাই পুন্দবশিংগী লো পুনবদি হৌরবনি। ঈংনা চিক্লা লৈনবনি।

লো তম্বীবা হায়বসি য়ানরবা অচুম্বদু চৎননবা তম্বীবা ওইগদৌরিবনি। লৈবাক মুৎনবা তম্বীবদি লো ওইরোই হায়বনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।